**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরদার ভলবভাই পাতেলগী মপোক নুমিৎনা লাকপদা অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু।

২) মণিপুরবু লম কোইবশিংনা খ্বাইদগী পামবা মফম অমা ওইহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখ্রে।

৩) লাক্লিবা নিংঙোল চাকৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাওথোক্কদৌরিবা ঙাগী মেলা মপুং ফাহনবীনবা ফিসজরিজ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা আপীল তৌরি।

৪) হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- মোবাইল ফোন য়াওনা দিজিতেল ৱার্ল্ডদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা হেন্না মায় ওনশিনখিবদগী মখোয়গী হকশেলদা অকায়বা কয়া থোরকি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাটতা লুপা কোতি ২৮০ হেনবগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উযুং তমখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরদার ভলবভাই পাতেলগী মপোক নুমিৎনা লাকপদা অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু।

ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি নেসনেল য়ুনিতি ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রন ফোর য়ুনিতিগী মরাথোন অমা লমথাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- -ভারতপু অপুনবা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওহহন্নবগী ৱাখল্লোনদা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌদাং য়ারম্বা লৈবাক অসিগী আইরন মেন হায়রগসু খঙনবা সরদার ভলবভাই পতেলবু নিংশিংদুনা রন ফোর য়ুনিটিগী মরাথোন অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- ৱান নেসন, ৱান পিপলগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নরসি। মরাথোন অদু খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়ম ফাওবা চেনখি। মরাথোন লমথাবগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা য়ুনিতি ডেগা মরী লৈননা পুন্না ৱাশক লৌমীন্নখি।

য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম.এল.এ. থোঙাম শান্তি অমদি অতৈ ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

চদোং (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরবু লম কোইবশিংনা খ্বাইদগী পামবা মফম অমা ওইহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা চাদোং খুল অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈরিবা থৌবাল মল্টিপরপজ প্রোজেক্কী থিংগৎতুনা থন্লিবা ঈশিং য়াওনা ফজরবা লেন্দস্কেপ অমগী ভিদিও থাগৎলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মফম অসিগী ফজরবা লেন্দস্কেপশিংনা লমদম অসিগী ইকো তুরিজম অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী লমদা লৈরিবা মগুনশিং অদু ফোংদোক্লি। মফম অসিবু তুরিষ্টশিংনা পামবা খ্বাইদগী ফজবা মফম অমা ওইহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

ঙা (এল)ঃ লাক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা মথং থাগী অনিদা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ঙাগী মেলা মপুং ফাহনবীনবা ফিসজরিজ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা আপীল তৌরি।

ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়- মেলা অসিদা মীতৈ শরেং, পেংবা অমদি খাবকনচিংবা য়াওনা য়েলহৌ ঙা কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি। নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ঙা য়োল্লিবশিংনসু লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং অমদি অৱাবা কয়া নংলিবা মীয়ামগী য়েংলগা সরকারনা লেপ্পা ঙাগী মমলদগী হেন্না য়োনদনবা মন্ত্রিনা আপীল তৌখি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিল তমেংলোং জোন্না শিনবা চগা-ঙি ফেষ্টিভেল ঙসি তমেংলোং হেদক্কাটরসতা লৈবা জাদোনং পার্কতা পাঙথোকখ্রে। চগা-ঙি ফেষ্টিভেল অসি রিয়াংমৈ কাংলুপনা চহি খুদিংগী ওক্তোবর ৩০ অমসুং ৩১ দা পাঙথোকপা য়ামা চাউবা লৌরোক কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসি ঈশ্বরবু থাগৎপগা লোয়ননা মহৈ মরোং মরিক চুম্বা লোকপা ঙমবা অমসুং হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক মপুদা হায়জবগা লোয়ননা পাঙথোকৈ।

রঞ্জন (এল)ঃ হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি-খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা দিজিতেল ৱার্ল্ডদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা হেন্না মায় ওনশিনখিবদগী মখোয়গী হকশেলদা অকায়বা কয়া থোরক্লি।

ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ ভিজ্য়েল ইম্পয়ারমেন্ট, নেসনেল হেলথ মিসন অমসুং রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ২৫ শুবা ৱার্ল্ড সাইট ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- মোবাইল ফোন শিজিন্নবা য়াওনা টেলিভিজন্নচিংবা তোইনা য়েংবদগী অঙাংশিংগী মীৎ শোকপগী চাং হেনগৎলকপদা নত্তনা মখোয়না চেন চোংদুনা শান্নবগী চাং হন্থরকপদগী অঙাংশিং মশা মউ ফনা লৈবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। অঙাংশিংগী মীৎকী

ফিভম কমদৌনা লৈরিবগে হায়বসি মমা মপাশিংনা চাং নাইনা য়েংশিনবীবগা তঙাইফদবা লৈ। মরম অসিমকনি কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমদা চিলদ্রেন, লভ য়োর আইজ হায়না থল্লিবসি।

মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা মীৎতা ঙৌদোংনা নাবগী চাং হন্থহন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলকপদগী শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমলে। অনোক শিজিন্নবগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- কনাগুম্বশিংনা লম্বীগী নাকলদা থাদুনা য়োল্লিবা অনোকশিং নিংথিনা টেষ্ট তৌথোক্তনা হেক্তমক লৈদুনা শিজিন্নরোইদবনি। মসিনা শোক্লিবা মীৎকী চাংগা চান্নরমদবদগী হেন্না মীৎ শোকহল্লকপা য়াই।

থৌরম অদুদা হেলথকী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি- হুংয়ো ৱারসং, হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তর- ডাঃ ও. সনাহনবী য়াওনা অতৈ মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

হোম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা রাজ্যগী হোম গার্দশিংগীসু থাগী তলব ওক্তোবর ৩১ ফাওবদা পীথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার সোসিয়েসনগী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়- রাজ্য সরকারনা লাউথোকখিবা মতুংইন্না লাক্লিবা দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবা মমাংদা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী তলব পীথোকপগী মতাংদা হোম গার্দশিংগীসু য়াওবীনবা এসোসিয়েসন্না মুখ্য মন্ত্রিদা অইবা চেরোল পীশিনখিবনি। মদুদা মুখ্য মন্ত্রিনসু সরকারনা লাউথোকখিবা অদুদা হোম গার্দশিংসু কোনশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। মসিগীদমক এসোসিয়েসন্না মুখ্য মন্ত্রি অমদি মরী লৈনবশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

বোবি (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপালগী সেক্রেটরি ওইরম্বা বোবি ৱাইখোমগী থবক পায়বগী মতম হয়েং লোইরগনি। ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়ানা গভর্নর্স সেক্রেটরিয়েটকী ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিংগা

লোয়ননা কাইনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। শ্রী বোবি ৱাইখোমা রাজ ভবনদা থবক তৌরিঙৈ মতমদা পীরম্বা মহাক্কী সার্ভিসশিং অদুগীদমক রাজ্যপালনা মহাকপু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী বোবিনা ইং ২০২০ গী মার্চতগী রাজ্যপালগী সেক্রেটরি ওইদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, কল্যান আশ্রম মণিপুরগী মীহুৎশিংগা ঙসি রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়াগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ ভবনগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি।

উখ্রুল (এল)ঃ দিৱালি ৱিথ মাই ভারতকী থৌরম ঙসিদগী উখ্রুলদা হৌখ্রে। নেহরু যুব কেন্দ্র উখ্রুলনা সেন্ট জোসেফ কলেজ অমসুং পেটিগ্রিউ কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিতকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উখ্রুলগী অরিবা হোস্পিতাল তাবা লম্বী, অবা মার্কেট কমপ্লেক্স অমসুং উখ্রুল মিনি সেক্রেটরিয়েট তাবা লম্বীশিং শিৎতোক শেংদোকখি। উখ্রুল ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা মহৈরোইশিংনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা ঙাকা চৎকদবা কাংলোনশিং খঙহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

নেহরু যুব কেন্দ্র থৌবালনা থৌবাল জিলাগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী ২৭ তগী নুমিৎ মরিনি চুপা চখ্খরকপা দিৱালি ৱিথ মাই ভারতকী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে। পালন থৌরম অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং অমদি এন.এস.এস য়ুনিতকী মহৈরোইশিংগা খুৎশমদুনা খাঙবোক কৈথেল অমসুং খাঙবোম হায়র সেকেন্দরি স্কুলনচিংবা য়াওনা অতৈ কৈথেল কয়াদসু লু-নানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

একজিবিসন (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা শ্রীবন হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শিন্দুনা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি ফোর সষ্টেনেবল ফ্যুচর হায়বা হিরমদা মল্টি দিসিপ্লিনারি স্কুল একজিবিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জেদ.ই.ও জোন-টু এম. প্রেমচন্দ্রনা হায়-

খুন্নাই অমা শেম্বদা ওজাশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। ওজাশিংনা লমদম অসিগী তুংলমচৎকী য়েংলগা মহৈরোইশিংবু অফবা মখলগী শিক্ষা পীনবা হোৎনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- স্কুল অসিদা ঙসি পাঙথোক্লিবা একজিবিসন অসিনা মহৈরোইশিংদা লৈরিবা হৈথোই শিংথোইবা অমদি ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। মসিনা মহৈরোইশিংনা লৈবাক্কী অমদি রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোকপা চাংদমবা কয়াদসু শরুক য়াবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

সিসি (এল)ঃ চুরাচান্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চহিগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি স্কুল অসিগী সেন্ত্রেল ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল কে.ঐচ. মেমতোনবী দেবী য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কনফরেন্স (এল)ঃ ত্রান্সফোর্মিং কনফ্লিক্ট, অন্দরষ্টেন্দিং আইদেন্তিতি থ্রু পিছ বিল্ডিং ইসুস চেলেঞ্জেস এন্দ প্রোস্পেক্টস হায়বা হিরমদা হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমতোন কলেজদা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

কোংপাল (এল)ঃ কোংপাল সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কম য়ুথ সেন্তরগী ৪২ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাইহিক ফবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম গুজরাটকী এক্তা নাগরদা লুপা কোতি ২৮০ হেনবগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। প্রোজেক্টশিং অদুনা লমদম অদুদা লম কোইবশিং লাকপগী চাং হেনগৎহনবতা নত্তনা মীয়ামা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা লম কয়াদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি গুজরাত্তা থুংখিবা প্রধান মন্ত্রিনা আরম সিক্স

পোইন্ট জিরোগা মরী লৈননা ৯৯ শুবা কম্মন ফাউন্দেসন কোর্সকী ত্রেন্নি ওফিসারশিংদা ৱা ঙাংগনি। আরম সিক্স পোইন্ট জিরো অসিদা ভারতকী তোঙান তোঙানবা সিভিল সাভির্সেসকী ত্রেন্নি ওফিসার ৬৫৩ অমসুং ভুটানগী সিভিল সাভির্সেস অহুমগী ত্রেন্নি ওফিসারশিং য়াওরি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- শ্রী মোদিগী খোঙচৎ মনুংদা বোন সাই গার্দেন, সিৱরেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট, সরদার সরোভর ডাম এক্সপরিয়েন্স সেন্তর, সব-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল, ত্রাফিক সার্কলস অমসুং স্মার্ট বস ষ্টোপশিং শঙ্গাগনি। মমাং চহিদসু কেভারিয়াদা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিতি শঙ্গাদুনা মালেমগী লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিনখিবনি।

চাইনা ঃ ভারত অমসুং চাইনানা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ত্রোলদা চহি মরি মখায় রোম উংখৎনরম্বা অদু লোইশিন্নবগী খোঙথাং অমা ওইনা নোংপোক থংবা লদাখকী দেপসাং অমসুং দেমচোক লমদমদা লৈরম্বশিং হন্দোকনবা অমসুং ঙমখৈদা পেত্রোল্লিং চৎননবা য়ান্নরে।

লান্মীগী পাউনা হায়- নাকল অনিগী মরক্তা লোকেল কম্মান্দরশিংগী থাক্তা মখা তানা ৱারী শান্নদুনা ঙমখৈ লমদমদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকবা কন্না হোৎনরি। ঙমখৈ লমদমদা পেত্রোল্লিং চৎপগী মওং মতৌশিংগী মতাংদা নাকল অনিমকা য়ান্নবা ৱাফম অমা অথুবা মতমদা ৱারেপ লৌরগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- দিসএগেসমেন্ট প্রোসেস অসি থা অসিগী ২২ দগী হৌখ্রে। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা দেপসাং অমসুং দেমচোক লমদমদগী লান্মীগা মরী লৈনবা ষ্ট্রকচরশিং অমদি মতম খরগী ওইনা খনবা টেন্ট টনচিংবা লৌথোকপা হৌরে। সেন্সিতিভ ওইবা জোনশিংদা পেত্রোল্লিং চৎত্রিঙৈগী মমাংদা নাকল অনিমকা হান্না পাউ ফাওননবসু য়ান্নরে হায়রি। দিৱালি কুম্মৈগা মরী লৈননা হয়েং নাকল অনিমক্কী লান্মীশিংগী মরক্তা অথুম অহাউশিং লান্নদুনা চামিন্নগনি হায়রি।

গোয়ল ঃ কর্ম্মস অমসং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়ল সাউদি অরাবিয়াগী

রিয়াদতা থুংখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা মরি হেন্না চেৎশিল্লগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-শ্রী গোয়ল, রিয়াটতা পাঙথোক্কদবা ৮ শুবা ফ্যুচর ইনভেষ্টমেন্ট ইনিসিয়েটিব (এফ.আই.আই) দা শরুক য়াগনি। মহাক্ক খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা অমসুং ইকোনোমিক কোওপরেসননচিংবা হীরম কয়াদা অমগা অমগা হেন্না তেংবাং পীনরগনি। শ্রী গোয়লনা সাউদি অরাবিয়াগী ইন্দষ্ট্রি অমসুং মিনরেল রিছোর্সেস মন্ত্রি-খালিদ অল-ফালিহাগসু উন্নগনি।

মন্ত্রিনা মুরাবাদা লৈবা রিয়াট এভিন্যু মোলগী লুলু হাইপর মার্কেটতা দিৱালিগী উৎসব অমসু হৌদোক্কনি। মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিং শরুক য়াগনি। মসিনা ভারত অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মরক্তা কালা সংস্কৃত্তিগী লমদা হেন্না অচেৎপা মরী থম্বা ঙম্লগনি।

বোক্সিং ঃ য়ু.এস.এগী কোলোরাদোদা লৈবা পুয়েব্লো কনভেন্সন সেন্তরদা চথুরিবা অন্দর নাইন্তিন ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপ্তা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বোক্সর থোকচোম সুপ্রিয়া সেমি চংলে। সেমি ফাইনেলদা থোকচোম সুপ্রিয়ানা য়ুক্রেনগী বোক্সর মেলনিক বোজেনাগা থেংনরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভারতকী বোক্সরশিংনা পুন্না তকমান ১৭ লৌবা ঙম্লগনি হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ খা মনিপুর কলেজ ককচিংনা শিনদুনা কলেজ অসিদা চথুরিবা এ. প্রতাব সিংহ মেমোরিয়েল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা খা মণিপুর কলেজনা নাউরেম বিরাহরি কলেজবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৪-২ মায়থিবা পীখ্রে। অনিসুবা সেমি ফাইনেলদনা ককচিং খুনৌ কলেজনা কমখ্যা পেমতোন কলেজবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইদুনা তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেল চংবা ঙমলে।

কাং(এল)ঃ  ৱালিদা-ৱাবগাই কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই. মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নগদবা মেটচতা থাংমৈবন্দ কাংখুৎ লাক্তবদগী কে.কে.সি.ও কৈশামথোং ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

নোনে (এল)ঃ  নোনে দিষ্ট্রিক্ট বিদমিন্টন এসোসিয়েসন্না যুম্বু ওইদুনা মথং থাগী ২ ফাওবা চথগদবা অহানবা নাগা হিল দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন তুরনামেন্ট ২০২৪ জিলা অসিগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা তেনখোংজাং বেদমিন্টন কোর্টতা হৌখ্রে। তুংনামেন্ট অসিদা পুন্না শান্নরোই ৩১০ রোমা শরুক য়ারি।

মাষ্টরস (এল)ঃ  মথং চহিগী ফেব্রুৱারিদা থাদা নিউ দিল্লিগী পাঙথোক্কদবা ৪৫ শুবা নেসনেল মাষ্টরস এথলেটিক চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা মথং থাগী  ১০ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মগী রুম নম্বর-৩২ দা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি। শান্নরোইশিংনা মশাগী আধার কার্দ অমসুং মেদিকেল ফিটনেস সার্টিফিকেটশিংসু লোয়নরক্কদবনি হায়না মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

টেন্নিস ঃ  ভারতকী রোহান বোপানা অমসুং মহাক্কী ওষ্ট্রেলিয়ান জ়রা মেথিউ অবদেন ফ্রান্সকী পেরিসতা চথরিবা পেরিস মাষ্টরসকী ক্বাতর ফাইনেল চংলে। মখোয়না জরমনিগী আলেকজেন্দর জেবরেভ অমসুং ব্রাজিলগা মার্সেলো মেলোগী জ়রাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৭-৬ তা মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি।

------